
থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# কোরোনাভাইরসতগী ঐখোয় নাম্হোকপা ঙম্লোইদবগী মরম



ঙরাং ঐগী ফোনসিগী 'হ্বাটসএপ গ্রুপ' অমগী খুথাংদা মেসেজ অমা ফংখি। ঐগা নক্না তিন্নজবা, লোয়নজবা ইনাও অমদগী হৌরকপা পাউজেল অমনি। মহাক্কীদু নঙ ঐনা থেংনরিবা অসিগুম্বা খোইদৌ-শাউগৎপা মীৎকুপ খরা থেংনমনবদুদগী খাঙবা ঙম্বগী লিমিট লানখিদুনা থারকপা ওইরমগনি খঙই ঐ ... 'কোরোনাভাইরস করিনো, কদায়দগী হৌরকই, করম্না শন্দোকই, ভাইরসসিনা চঙখ্রগা করম্বা লাইওং উৎলকই, কয়ামুক খুদোংথিনিংঙাইনো, করম্বা অনাবদা হেন্না খুদোং থীগনবগে, করম্না ঙাকথোক্কদগে ... পুম্নমক লোয়না খঙজরে, মখা তানা ঐবু তম্বীগে খনবীরনু, ঐঙোন্দা কোরোনা ভাইরস অনাবগা মরী লৈনবা মেসেজ অমদি ভিদিও অমুক হন্না থাবীরক্লনু ওকচরে'...। অতোপ্পা ভিদিও অমদনা (মপান্দগী থারকপনি), হায়রকই অসুম্না ... 'কুম্মাথোইশুবা চহীচাগী দিকেট (চহী তরাগী মতম) অনী লোইশিল্লক্লে, খনখি কুমজা ১৯৮০দা, কুমজা ২০২০ য়ৌরকপদদি ঐখোয় অপাইবা কার তোংলনি অতোপ্পা গ্রহগী সহরদা খুন্দারুরনি - অদুবু, হৌজিক য়ৌরক্লবাকানসিদা ঐখোয়দা তম্বীররি - করম্না খুৎ হামগদগে' ...।

কোরোনাভাইরস কৌবা মহীক অসি কয়ামুক তমথিবা - ৱাকোই অমুক ঙাঙনরগুমসি, খঙদবা কনাবু লৈরিগদগে ! অদুবু ঙসিসু তম্নীংলকই থম্মোয়সিনা অতোপ্পা পাউদম অমা অমুক। করম্না খূৎ হামগদগে, মীঙোন্দা করম্না ৱারী শাগদগে, কদায় কদায়দা চৎলোইদগে হায়বনচিংবা পাউজেলদু নত্তবা অমা তম্নীংলকই। কুইদ্রি, নহানমক ওইরমাল্লে, ঐগী মরূপ দাক্তর অমগা ৱারী শানৈ। ৱারীদু ঐনা হৌরুবনি, 'মালেম পুম্বা কোরোনাভাইরসকী ৱারীমক্তা ঙায়খরে, অমেরিকাফাওবা 'নেসনল ইমর্জেন্সি' লাউথোকখ্রে, ইন্দিয়াদসু য়ৌরকখ্রবনি, মণিপুরদদি য়ৌরক্তেনে ... চঙবা য়ারোই হায়দুনা মীয়ামগী ঈহৌ হৌরক্কনি, ৱাকৎ মীফম ফম্লক্কনি কিবনরা করিনো'...। ফাগীগী তোন অমা য়াওবদুদা মরূপ্তু হৈনদবজাৎনি, শকফম ওল্লগা খুল্লকই ... 'য়ৌরক্লনি মরূপ ৱাবীরুনু, সুপশোয় শোয়দনা য়ৌরক্কনি ... অসুক তমথিবা, য়ু কে, অমেরিকা, ইটালিনফাওবা কিনা পাখৎনা লাক্করিবা ইশ্যুসি মণিপুরদদি ফাগি তৌফম, করেম্নফম ওইনা লৌনরিবনি, কনামত্তা সিরিয়স ওইদবনি ... মীনা তৌনৈ হায়দুনা খরা লাউ-খোংদুনা, স্কুল-কোলেজ ছুটি থাদোক্লবগী ৱানি কনাসু লুনা লৌনদে .. শ্রাদ্ধ-কর্ম-লুহোং-কৈহোং ফাওবা কন্ত্রোক তৌশিল্লক্লিবা করিগীনো খন্থনদে... হৌজিক, কোরোনা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেনদা মথৌ নীংথিনা তৌরিবসি মেদিয়া হাউজ অমদি সোসল মেদিয়া মথন্তনি, কনানসু লুম্না লৌদুনা কেম্প্যেনদু প্রাক্টিস ওন্থোরক্তে, খুজিন-খুনাম্থোক্তগী অমা য়ৌরকপা থোক্লবা, য়েংবীয়ু-কয়াম থুনা শন্দোক্লকপগে, কয়া য়াম্না শিরকপগে' ...। মীনা তৌরকপা ফাগী অমা হাইফেৎ ফেনজি ল্লুবদু ইকায়বা নংদুনা তোকখি ঐ। মখা তানা য়েৎখিদে। মাগী ৱাহৈ খরদুনা ঐবু ৱাখল খন্থহনখি। ঐগী খুন্নাই অমদি মীয়ামসিগী হৈনবী হঙ্গৎনা য়েংদুনা শান্নরুই। ৱাখল মোন্দ্রং ময়ামদুদি ইথোকচররোই, 'নঙদি কয়াম ফরদনা ! অদুগুম্বা খুন্নাইদুদা পোল্লক্তুনা, চাউরকপনিনে নহাকসে' হায়রক্কনি শোয়দনা। ঐগীসিদি মীবু হুনবা নত্তে 'সেল্ফ-ইন্ত্রোস্পেক্সন' হায়বদুনি।

'ক্যারান্টাইন' হায়বা ৱাহৈসি ঐনা ইহান হান্না, এগ্রীকলচরেল সাইন্স তম্লিঙৈ, প্লান্ট পেথোলোজিগী ক্লাসতা থেংনখি, প্লান্ট-দিজিজ নৈনরকপদা। শকখঙলবা দিজিজ অমনা নারবা পান্থী অমগী 'মহৈ'দু অতোপ্পা মফম অমদা থাবা/য়োনবা থিংবা, পুথোক্লিবা মফমদুদগী হেলহন্দবা ! মীওইববু ক্যারান্টাইন তৌদুনা মফম অমদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বগী থৌদোক অসিদি হন্দক্কী অসিনা অহানবা থেংনবনি। হোস্পিটালগী 'আইশোলেসন ৱার্দ' হায়বদুনা অমনি, ক্যারান্টাইনগা মান্নদে। কোরোনাভাইরসনা থোকহনবা 'পান্দেমিক' অসিদগী মালেমগী লৈপাক কয়াদা মীওই কাঙলুপ কাঙলুপ, নৎত্রগা মীওই খুদিংমক ইমুংদগী হেন্দোকহন্দনা থম্বগী থৌওং চত্থনরকপগী পাউ তারে। হৌরকফম ওইবা চাইনাদদি লায়না অসি মপুম-ফানা (মপুং হায়বীগনু) লাকশিল্লে হায়না লাউথোকখ্রবসু, ইরান অমদি ইটালিদদি ঙসিসু কিনিংঙাই ওইবা মশক অমা লৌরক্লি। পাউদম অসি ইগে খঞ্জরকখিবসু ইটালিগী 'মিলন' সহরগী মীয়াম্না মালেমগী মীয়ামদা, থম্মোয় শোক্লবা 'নোত' অমগা লোয়ননা সেয়র তৌরকখিবা পাউ অদু পারুবদগীনি। তাইবংপান অসিগী অরোইবা পুংফম লাক্লবা, অমম্বনা কুপখ্রবা মালেম অমদা লৈরবগী ৱাখলদুনি মখোয়না ঙসি ফাওরিবা। লম্বী-সরক্তা কনাসু চৎপা য়াদবা, লল্লোন-ইতিক্কী থবক পুমলেপ লেপখ্রবা, পোৎ-য়োনফম-লৈফম দুকান পুম্নমক থিংখ্রবা, য়ুমদগী মপান থোরকপা খুদিং ফাগদবগী শেন্নরিবা সিফাইশিং, হীদাক য়োনফমসু লোনখ্রবা ... অসিগুম্বা ফিভম অসি ওইরকখিবা করম্না ? মখোয়না হায়, ফিভম অসি ওইহল্লকখিবা মখোয় মশাননি, কনানসু মরাল শীদে। অহানবা ওইনা লায়না অসি নারবা মীশক অমা থেংনরকপদুদা হকশেল থৌরম পুবা অখঙ-অহৈশিংনা হায়বা ৱা (ঐখোয়না ঙসি তারিবা) মখোয়না থওইরুদবা, কুম্মৈ-ফিহোং তৌরুবা, নুংঙাইথোকপা পাম্লুবদুগী মহয়নি মফমদুদা চাংচত্তা নোংমদা মী চনী শিরিবা ! মখোয়না ময়ামদা পাউজেল্লি - 'হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়বা ৱা নত্তনা কনামত্তগী ৱা তাবীরুনু ... অহল ওইশিল্লক্লবা নমা-নপা-নপু-নবেনবু নুংশিয়ু, মখোয়বু কন্নবা হোৎনবীয়ু, নাখ্রবদি হীদাক লৈতে ... অহল ওইরক্কদবশিং, লায়না চঙবা ঙমদনবা ভিটামিন সী মরাং কায়না চাবীয়ু'...।

ঐখোয়সু খঙলে - লায়না অসি করিনো অমদি কমদৌবনো ? শোয়রিবা হায়ববু 'মীগী মৱা লৌগনদবা মতৌ' অদুতনি। অদুগা, ঐখোয়গী খ্বাইদগী শোয়বা, শেমদোকপা য়াররোইদবা, ফন চেকশিনবা মীদুসু লায়নাসিদগী কনবা ঙম্লোইদবগী অচৌবা মরম অমদি ... 'অনাবনসু নাদবনসু পায়রগা লাম্হোক-লানশিন তৌনরিবা, শেংনা ইরুজরবা চামথোক্লবা খুত্তুনা পামজনা লৌরিবা তরা-চৎপী/কুন-চৎপী/য়াঙ্খৈ চৎপী অদুনি, অনাবগী খুৎনা পায়রম্বা পোৎ নৎত্রগা ফিদুদি মৈ থাদোকখিনি, শেলদুদি লোৎশিনখিনি, মদুননি লান্নফম ওইরক্কদৌরিবা'...। মোদিগী 'কেসলেস ত্রান্সেক্সন' তৌহন্নবগী ফেল ওইখ্রবা এতেম্পদু নীংশিংলকই।

(ঙরাংগী থম্মোয়গী পাউদমগী অরোইবদা 'কুমজা ১৯৪৯গী লুপা লাখ অহুম, ঙসিগী লাখ হুমফুতরেৎনি' হায়খিবদু 'ঙসিগী ক্রোর অনীগী মথক্লি' হায়গদবনি। ঙাকপীগনি।)

লৌশিং পুক্কে

# কোরোনাভাইরসকী মরমদা মমূৎ তানা খঙগদবশিং-২




নেসনল ইনষ্টিট্যুট্স ওফ হেল্থকী মতুংইন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা কমপ্লিকেসন থোকহল্লকপগী রিস্ক অসি অকক্লবা মীওই কাঙলুপ খরদনা খ্বাইদগী চাং ৱাংই। কাঙলুপশিং অদুদি অপীকপা অঙাংশিং, মশাগী চহী ৬৫গী মথক্তা লৈবা অহলশিং, অমদি মীরোনবী নুপীশিংনি।

সী দি সীনা হায় মদুদি অপীকপা অঙাংশিংদা কমপ্লিকেসনশিং থোকপগী রিপোর্ট লৈরবসু য়াম্না তাঙনা থোকই। কোভিদ-১৯ না অঙাংশিংদদি য়াম্না কনবা নত্তবা সিম্পটোমশিংখক্তং থোকহল্লি।

**কোরোনাভাইরসকী জেনরেল সিম্পটোমশিং:**

কোরোনাভাইরসনা ইনফেক্সন তৌরবা মতুং নুমিৎ ২ দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা লোক থুংবা নৎত্রগা ফ্লু-মানবা সিম্পটোমশিং উৎথোরকই অমদি সিম্পটোমশিং অসি অয়াম্বা মতমদা য়াম্না অকনবা ওইগন্দে। অদুমওইনমক মীওই অমগা মীওই অমগগী মরক্তদি মান্নদবা সিম্পটোমশিং থেংনবা য়াই। কোরোনাভাইরস মখল খরদি মী শিহনবা য়াই।

সিম্পটোমশিংগী মনুংদা হকথী খনবা, নাতোন মহী চেনবা, য়াম্না চোকথবা, লোক খূবা, লাইহৌ, খৌনাউ নুংঙাইতবা, এগজাসর্বেটেদ অজমা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

চুম্নগী লোক থুংবা (কম্মন কোল্ড) থোকহনবা অতোপ্পা ভাইরস মখল অমা ওইরিবা রাইনোভাইরসকা মান্নদবা মওংদা হ্যুমেন কোরোনাভাইরস অসিদি সাইন্টিষ্টশিংনা ইরায় লায়না লেবোরেটরিদা কল্টিভেট তৌবা ঙমদে। মসিনা মরম ওইরগা কোরোনাভাইরসনা লৈবাক্কী শেল-থুমগী ফিভমদা অমদি মীয়ামগী হকশেলগী ওইবা লমদা পীরক্কদবা চৈথেং অদু চপ চানা চাং ওনবা ৱানা থোকই।

কম্মন কোল্ডগা মান্নবা সিম্পটোমশিং থোকহনবা কোরোনাভাইরসশিং ক্যুর তৌনবা পান্থে অমত্তা লৈতে। ট্রিটমেন্টশিংগী মনুংদা মশানা চেকশিঞ্জবা অমদি ওভর-দি-কাউন্তর (ও টি সী) হীদাকশিং শীজিন্নবসু য়াওই। ইশানা লৌখৎচবা য়াবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা পোত্থাবা অমদি পুক্নীং-ৱাখল অমসুং হকচাং কা হেন্না ৱাগদবা থবকশিং তৌদবা; ঈশিং মরাং কায়না থকপা; মৈখু শীজিন্নবা তোকপা অমদি মৈখু খুবা মফমদা চঙদবা; হকচাং চীকপা নাবা অমদি লাইহৌগীদমক পেরাসিটামোলগুম্বা হীদাক-লাংথক চাবা; তরু-তরুবা হ্যুমিদিফাইয়র নৎত্রগা কুল মিষ্ট ভেপোরাইজর শীজিন্নবা অসিনচিংবশিং য়াওরি।

দোক্তরনা নারিবা মীওই অদুগী লোক-তিল-নপ নৎত্রগা ঈগী সেম্পল লৌদুনা অনাবা থোকহল্লিবা ভাইরস অদু দাইগ্নোস তৌবা ঙম্মী।

**কোরোনাভাইরসকী মখলশিং:**

কোরোনাভাইরসশিং অসি কোরোনাভাইরিদি ফেমিলিগী মনুং চনবা কোরোনাভাইরিনি কৌবা সব-ফেমিলি অমগী মনুং চল্লি। কয়া য়াম্না শাথিবা লায়না নাহনবগে অমদি কয়ামুক য়াম্না শন্দোকপা ঙম্বগে হায়বগী মতুংইন্না কোরোনাভাইরসশিংগী মখলশিং খেন্নে।

দোক্তরশিংনা হৌজিকফাওবগী ওইনা মীওইবদা ইনফেক্ট তৌবা ঙম্বা কোরোনাভাইরস মখল ৭ মশক খঙদোকপা ঙম্লে।

তোয়না থেংনবা মখলশিংগী মনুংদা 229E (অল্ফা কোরোনাভাইরস), NL63 (অল্ফা কোরোনাভাইরস), OC43 (বেটা কোরোনাভাইরস), অমদি HKU1 (বেটা কোরোনাভাইরস) হায়রিবশিং অসি য়াওই।

য়াম্না তাঙনদি থোক্তবা অদুগা শাথিবা কমপ্লকেসনশিং থোকহনবশিংদি MERS-CoV, মসিনা মিদল ইষ্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (MERS) নাহল্লি; অমসুং SARS-CoV, মসিনা সিভিয়র একুট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (SARS) নাহল্লি।

কুমজা ২০১৯দনা অমুক SARS-CoV-2 কৌবা অনৌবা ষ্ট্রেন অমা অমুক শন্দোরক্তুনা কোবিদ-১৯ হায়রিবা লায়না অসি অমুক থোকহল্লে।

**শন্দোকপগী মওং:**

হ্যুমেন কোরোনাভাইরসনা মীওই অমদগী অতোপ্পা মীওই অমদা মতৌ করম্না শন্দোকপগে হায়বগী মতাংদা কন্না থিজিনবা হোৎনরি। অদুমকপু ভাইরসশিং অসিনা লোক-তিনগুম্বা রেস্পিরেটরি সিষ্টেমদা লৈবা ফ্লুইদশিংগী খুথাংদগী শন্দোকই হায়না রিসার্চরশিংনা থাজরি।

কোরোনাভাইরসশিংনা শন্দোকপা ঙম্বা মওংশিংদি- চীন খুমদনা লোক খূবা অমদি হকথী খনবদা লোক-তিনগী মকুপশিং নুংশিৎতা তিনখিবা; অনাবা মীওই অমগা খূৎ শোক্লবদা; ভাইরস পকপা পোৎশক নৎত্রগা সর্ফেসতা শোক্লবা খূৎনা নাতোন, মীই নৎত্রগা চীনদা অমুক শোকপা অসিনচিংবশিংনি।

ফেলিন কোরোনাভাইরস (FCoV) কুম্বা শাগী কোরোনাভাইরস খরদি মখোয়গী মথীদগী শন্দোকপা ঙম্মী। অদুবু হায়রিবা মওং অসি হ্যুমেন কোরোনাভাইরসশিংদসু ওইবরা হায়বগী মতাংদদি ময়েক শেংনা খঙদ্রি। মীওই অয়াম্বদা মখোয়না হিংলিঙৈ মতমদা কোরোনাভাইরসশিংনা ইনফেক্ট তৌগনি। কোরোনাভাইরসশিং অসি ম্যুটেট তৌদুনা য়াম্না লৌনগনবা ওইরকপা ঙম্মী।

ভাইরস অসি শন্দোকপা থিংনবগীদমক মীয়াম্না সিম্পটোমশিং এক্টিব ওইরিঙৈ মতমদা য়ুম য়ুমদা পোত্থাদুনা লৈগদবনি। অতোপ্পা মীওইশিংগসু কন্তেক্ট তৌরোইদবনি।

লোক খূবা নৎত্রগা হকথী খনবা মতমদা তিসু নৎত্রগা রুমাল শীজিন্নদুনা চীন অমদি নাতোন খুম্বনসু মহীক অসি শন্দোকপা থিংবদা মতেং পাংবা ঙম্মী। শীজিন্নবা লোইরবা মতুংদা তিসু অদু মফম চানা দিসপোজ তৌগদবনি অমদি য়ুমগী অকোয়বা লূ নান্না থমগদবনি।

# অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীদা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ ২০২০ পীরগনি : লূপ

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

সাহিত্য থৌপাংলূপ (সাথৌলূপ)না চহী খুদিংগী পীবা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ ২০২০ মণিপুরগী মমিং লৈরবী অইবী অরাম্বম ওংবী মেমচৌবীদা পীরগনি হায়না সাথৌলূপকী সেক্রেটরি এম উত্তম কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অইবী অসিনা মণিপুরী সাহিত্যগীদমক তৌরিবা খুদোলশিং শকখঙবা ওইনা এৱার্দ অসি পীগদবনি। হৌজিক ফাওবদা শৈরেং-ৱারেং অমদি সাহিত্যগী নৈনবা য়াওনা লাইরিক ১৩গী মথক্তা ফোঙখ্রে। সাহিত্যগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং য়াওনা ইজরেল, ওষ্ট্রিয়া, ইটালি, স্বিজরলেন্দ, জর্ম্মরি, নেপাল, বাংলাদেশ, চিনানচিংবা লৈবাক কয়াদা চৎতুনা শরুক য়ারুরে। মহাক্না এদিটর ওইবা নুপীগী খোঞ্জেল কৌবা লাইরিক অমসু সাহিত্য একাদেমীনা ফোঙখ্রে। মহাক কুমজা ২০০৮দা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফংখি। কুমজা ২০২০গী ওইনা পীগদৌরিবা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫, সাইটেসন অমনি ইনফি অমা য়াওগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# হৈবোক চীংদা চৈরাও চীং কাবগী থৌরম তোকপীয়ু : য়ুথ ক্লব

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

কোরোনাভাইরসকী চেকশিন থৌরাং ওইনা থা অসিগী ২৫দা শজিবু চৈরাওবগা মরী লৈননা হৈবোক চীংদা চৈরাওচীং কাবগী থৌরম তোকপীয়ু হায়না কমখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব, হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায়, হিয়াংথাং এদ্যুকেটেদ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, টি ৱাই দি সী তখেল্লম্বম কোঞ্জিন, মুহামদন সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং তরাহৈ কোঞ্জিনগী জেনরেল সেক্রেটরিশিংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি হৈবোক চীংগী অকোয়বদা লৈবা ক্লবশিংগী ওইবা মীফম অমা কমখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায়গী কনফরেন্স হোলদা কে এস ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট এম মনোজকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুনা হৌজিক মীপায়নিংঙাই ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯দগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। থা অসিগী ২৫ দা শজিবু চৈরাওবগা মরী লৈননা মমাংঙৈদগী চৎনদুনা লাক্লবা হৈবোক চীংদা চৈরাওচীং কাবগী থৌরম অদু তোকপীনবা আপিল তৌবা হায়না য়ানখি। নুমীৎ অসিদা হৈবোক চীংদা মীয়াম পুনবা অমদি চীং কাবগী থবক তৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# তাংজেং চীংদা চৈরাও চীং কাবা, থাবল চোংবা কুম্মৈশিং পাঙথোকহন্দনবা লেপ্নরে

ইম্ফাল, মার্চ ১৯ (ঐচ এন এস):

তাংজেং চীংদা চৈরাও চীং কাবা অমদি তাংজেং লম্পাক্তা চৈরাওবগী থাবল চোংবা অমসুং কুম্মৈগী থৌরমশিং কুমশি চহীগী ওইনদি পাঙথোকহন্দনবা লেপ্নরে হায়না তাংজেং চীং এন্দ লম্পাক কনবা লূপকী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৮দা ফমখিবা এগজিক্যুটিভ বোর্দিগী মীফম্না খন্নরবা মতুংদা ৱাফম অসি য়ানখিবনি। তাংজেং চীংদা চৈরাও চীং কাবা অমসুং তাংজেং লম্পাক্তা চৈরাওবগী থাবল চোংবা অমদি কুম্মৈগী ওইবা থৌরমশিং কুমশি চহীগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা থৌরমশিং অসি পাঙথোকহন্দনবা লেপ্নরে। ৱারেপ অসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক তঙাইফদনা লেপ্লকপনি। তাংজেং চীং এন্দ লম্পাক কনবা লূপকী এগজিক্যুটিভ বোর্দি মীফমনা হীরম অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি। চৈরাওবা নুমীৎতা চীং কাবা অমদি থাবলনচিংবা মমাঙদা পাঙথোক্লম্বা অদু হন্দক চহীগী ওইনদি পাঙথোক্তনবা মীফম্না লেপ্নখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৩।২০২০ ইং, ইরাই; অয়ুক পুং ৬ ফাওবা লমতাগী ২৬ নি পাল্লি মতুং ২৭নি পানগনি।

**মেষ :** নচাক নরল চাওখৎপা, মরুপকী মতেংনা অরুবা থবক পাংবা অমদি ইমুং-মনুং ৱাখল তামিন্নবা নুমিৎনি। নচা-ননাই কাইনবা অমদি ইচং থৌবা য়াদবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** ঙাঙবা-শকপা হৈবা, থৌরম পাংবা হৈবা অমদি লেংদবা লন তানশিনবা ঙমজবা নুমিৎনি। অশাওবনা ইমুং-মনুং নুংশিনবা ৱাৎপা অমদি শোকপনবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**মিথুন :** লৌশিংনা পাঙ্গল ওইগনি, অনীংবা অফবা থবক পাংবসু ঙম্লগনি অমদি ৱাফংনবা তৌগনু চোপকনি। নথক থোংবগা মুক্রগনু অমদি খাংবা কল্লু-শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লান্দবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কর্কট :** নীংবা শোইদনা থুংগনি, হকচাংসু খিংগনি অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং ফংদুনা থবক পাংগনি। ৱানোম-থৌনোম কান্নবা ৱাৎকনি অমদি লৌশিং ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**সিংহ :** লল্লোন-ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি পাইরক্কী লৌশিং ৱাৎকনি অদুনা নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। ঈংথবনা মাঙগদবদগী কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অফবা মফম অমদি মীংচৎ ফংগনি, অনীংবা অফবা থবক পাংবা য়াগনি অমদি হকচাং নুংঙাইগনি। হেন্না অশা চাওবদি মতম মাঙগনি, অফা অপুন্ননি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** ৱাখল খন্থবা ঙমদবা অমদি অরানবা পান্থে শীজিন্নবা পামগনি অদুবু মদুনা তুংদা অৱাবা তাগদবা লৈবনা লৌশিং চাওবগী পাউতাক তারগা খোঙ থাংবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - য়েৎনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**বৃশ্চিক :** শেন্দোং তানবা থবক্তা কান্নগনি অমদি লাই-গুরুনা চানবীগনি। মীকোক থোংবা ৱাবা, পাউ নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** হৈশিংবা অমদি ইমুং-মনুং ৱা তাননা পাংবা থবক্তা লেম্নমক মায় পাক্কনি। খুৎচাও থারদি নরল ময়েং তাগনি, খোইরাং-খোইশাওনগনি - পূক্নিং ফাথনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈরদি হরাওগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** চিন শোইরগা লন চৎকনি, য়েক্লবা অমদি অঙম্বনা নরলদা মীতাগনি - অখঙ-অহৈগী ৱা তাও। অদুবু লাইবক ফবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা কান্নবদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কুম্বা :** মীয়াম্না চানবীবনা অমদি লাই-গুরুনা থৌজানবীবনা হরাওবা নুংঙাইবা ফংগনি। অফবা মরুপ ফংগনি অমদি মখোয়গা লোয়ননা থবক পাংবা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা লৌরদি কাইননি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**মিন :** শেল-থুমগী লম্‌দা মায় পাক্কনি, অনীংবদুমক পাংবা য়াগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি। মরম চাদনদি নাপল তৌগনু-য়েক্লবনা খুদোংচাবা লৌখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা ।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# 'নপশিন্নবা, শেগাইয়ু'

থৱান





Thawan is a poet and musician from Imphal.